থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# লানফমসিদা মায়থীরসু, অমদদি মায় পাকসি

ঙরাং অয়ূক য়াহৌরকপা, হকচাং শাজেল লোইরগা ঙাইহাক পোথারিঙৈ, ঐগা থবক তৌমীন্নরম্বা ঈয়াম্বা অমনা ফোন তৌরকখি-মহাক কোরোনা পোজিটিভ ওইরে। মহাক্তা নত্তে, ঈতৈমসু। মচাসু মমৌসু ডোক্তরনি। নুংঙাই য়াইফবা ঈমুংনি। চেকশিন্না, ঈংনা লৈজবনি। কোরোনা ভেক্সিন দোজ অনীমক কাপখ্রবনি ঈমুং হুপ্পা। চেকপলনা কোয়না খাজিন্দুনা নায়তোম লৈবনি। তমথীবা সেকেন্দ ৱেভকী ঈরাং মরকসিদা মপান থোকখিদবা মীরক তিনখিদবা কুইরবনি, ফোনদা ৱারী শানবা নত্তনা। কদোমদগী কমদৌনা পাইশিল্লকখিবনো? খনবদা মহাক চমন্নখি। মচা, নৎত্রগা মমৌ অনীগী মরক্তা অমদগী লৌরকপনি খন্দৌসু, মখোয় অনীমক নেগেটিভ ওই। নুংশিরবা মশু অনীদুদা মখোয়দগী লানশিনখিগদ্রা কিবদগী মখোয়’- লৈকায়গী কম্যুনিটি আইসোলেসন সেন্টরদুদা লৈরে, ঐনা হকথেংনখিবা কোভিদ-এক্সপরিয়েন্স অদুগী মরমদা অকূপ্পা ৱারোল হংলকপনি।

কোভিদ’না নারুই হায়বতনি, লায়নাসিগী মরমদা কনাগুম্বা অমদা পাউতাক পীবা ঙম্বা মীশক অমদি নত্তে ঐ। ইনফোর্মেসন সেয়রিং হায়বদুনি। মচানুপা অমদি মমৌনুপী- মেদিকেল প্রোফেসন’দা লৈরিবা ঙাক্তনি, মীঙোন্দা হংফম থোক্তবনি। করিগী হংলক্লিবনো? মথোল অনীগী চাউরবা য়ুম অদুদা মতৈ-মনাও আইসোলেসন তৌদুনা লৈনবা কাসু মরাঙ কায়রিবনি। মদুদা লৈতনা, ডোক্তর/নর্স অমত্তসু লৈতবা কম্যুনিটি সেন্টরদুদা লৈরিবনা করিগী? মঙোন্দা হংবা নত্তে, ইথন্তা হংজখিবনি। চারিবা হিদাক্তুবুদি মচাগা-মমৌগনা থারকপনি হায়রগসু ‘মচি ওইবা চাক-এন্সাঙ মথেলদি য়ূমদা চাবনা হেনগনি’ হায়ব’মদি শোন্থাংননা শোল্লকই। ‘ফমুং ওইনা থাবসু নত্তে, স্কুলগী ফাল অনী-অহুম শমজীন্নরগা, মথক্তা ফি অমা থারগা হীপ্পনি, নুমীৎ তরানিখক লৈববু কৈদৌয়েগে’... মাগী অতেনবা ৱাহৈ পরেং অদুনা, মখোয়গী এম এল এ’না চলাইরিবা সেন্টরদুগী থাক অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরীদুগী ৱারী অমসু লীরকপরা? ইথন্তা খল্লকখিবনি। খঙদে, হেনজিনবা ৱাখল ওইগদ্রা?

ঈয়াম্বদু খুঙ্গংদা লৈবা ওইরবসু, খুঙ্গংগী মী ওইদবনি। নীংথিনা লাইরিক হৈবা মীশকনি। অচৌবা ওফিসর ওইরম্বনি। উপাক্তা ফি থারগা হীপ্তুনা লেনবা... ময়ুম ইংখোল ফীভম চাদবা, চারম থক্লম খঙদবা মীশিংদুগা কৈশুমশঙগী ফাদোক্তা পীবা চাক চরাদুগা পাঞ্জক্লবা য়াবা চীঞ্জাক্তু চাবা হৈনবা মী নত্তে। ঐ খঙই। মতম চুপ্পদা অচৌবা মীগী ৱাঙাং ঙাংবনি। ঙাইহাক্তুদা ঈবান্নি শানখিবা ৱারীসু -ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদদি লাকশিনবা ঙল্লগা মণিপুরদা ঙমদ্রিবসি করিগীনো... দেল্টা-ভেরিএন্ট-ভাইরস মখল অসি, মণিপুরগী মীয়ামদা কাপখ্রিবা ভেক্সিন মখল (কোভিসিল্ড) অসিনা ঙাকথোকপা ঙমদ্রবা জাৎলা... অসিনচিংবা ৱারীনি। মরমদি, অহানবা দোজগী কোভিদ তিকা থাখ্রবা মী কয়া লাইচৎসিনা নারকপা মী মশীং হাইফেৎ য়াম্না থেংনরকখ্রে। ফর্ষ্ট দোজগী ভেক্সিন কাপখ্রবা মীওইদি লায়রদনা দোজ অনীমক কাপথোকখ্রবা মীশক ফাওবা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিবা ফাওবা য়াওশিল্লকপসিদা, চহীনগা লৈশিল্লকপগা মথম্মোয়দু পোখাফম খঙলক্তবা মাল্লি। হান্নদগী খন্নরকপা ৱাখলনি, ডোক্তরশিংনসু তত্তনা হায়- কোভিদ ভেক্সিন কাপ্লগা কনাগুম্বা অমবু লায়নাসিদগী শোয়দনা কনবা ঙমগনি হায়বদুমক্কী থাজবা পীবা ঙমগদ্রবসু, ভেক্সিন অসি কাপহৌরবা অনাবা অমনা, সুক্কাপ-কাপহৌদবা অনাবা অমদগীদি লায়েংবদা ফগৎলকপগী চাং ৱাংবা হেল্লি। অদুবু, অনাবসিনা মরম ওইদুনা মীওই কুন শিখিবদা কোভিদ-ভেক্সিন কাপখ্রবা মী মঙা য়াওরকখিবা (অহুম্না দোজ অমা কাপখ্রবা, অনীনা দোজ অনীমক কাপখ্রবা) থৌদোক থেংনরকখিবদুদগী, হান্না খন্নরমদবা ৱাখল অসি খন্নরকপনি- কোভিদ- ভেক্সিন অসিনা কোভিদ-১৯গী অনৌবা শায়োন (দেল্টা ভেরিএন্ট) অসি মায়োক্লবা ঙমদ্রবরা?

য়ামখিদ্রবা মীশিং অসিগী মরক্তা, টোটেল লোকদাউন লৈনা লৈনা চাতরেৎ, চানিপান, লীশিং নোংম-নোংমই হেনগৎলকপা, তরা-কুনসু লেপ্তুনা শিজিল্লকপা, ভেক্সিন-দোজ-শুনা কাপ্লবা মীসু য়াওশিল্লকপা... পূক্নিং নুংনাংলোইদবগী মরম লৈবরা? তোকঙা থাজগনবা লমনিনা, হান্নদগী ভেক্সিন কাপ্পু য়াদদুনা নিংঙাই তৌরিবা মীয়ামনি। ভেক্সিন কাপ্লবা মীওইসু দেল্টা-ভেরিএন্ট-ভাইরস অসিদগী কনবা ঙমদে পাউথোকখ্রবদি, হৌজিক্কী লাক্লবা ঙমদ্রবা থাকসিদগী হেন্না ফীভম শোকচিল্লক্কদ্রা? চিংনদবা ঙমদে।

লৈঙাক্কী ওইনা থাদোক্লিবা, কোভিদনা নাবা অমদি শিবা মশীং উৎপা ষ্টেটমেন্ট’তু কূপ্পা অমুক্তং নৈনবীয়ু, সোসল মীদিয়াদা থাগৎনরকপা পাউদুসু তাবীয়ু- ’সিমদি শোয়দনা খঙগনি- লায়নাসিনা সহর ময়োনগী লৈকায়শিংদা পাক্তক্লনা এত্তেক তৌরম্বদু, খুঙ্গং-খুনয়া অথাপ্পা লমশিংদা মায়ওন হোংখিবগী শক্তম অমা উবীগনি। মহীক্তুনা মদোম খুঙ্গংদা মায় ওনখিবা নত্তে। চৈনাদুগী চৈথেংনা চং-ফংলবা-কান খরমখৈ ৱাখল তারক্তুনা, লৈকায় লৈকায় চঙনদবই মথক্তা ঈমুং অমই মীওই পুন্নমক মরন্নাই কাদা লৈনরগা চামিন থকমিন্নবা তৌনখিদ্রে। ঙরাংতা চৈথেং ফংলিবা ঈনাও অমনা ক্কারাইন্তাইন সেন্টরদগী ফোন তৌরকখি... ‘তামো! হৌজিকসিদি কনামত্তবু থাজবীরুরনুকো, ননাওনুপীনা য়ূম্লোন্নবী মমান্নবীদুগী মনাক্তা চৎলগা মীনুংশি য়েল্লুবই মহয়নি ঐখোয় মঙা পুল্লপ মফমসিদা য়ূম হোংলক্লিবা’... ককচিং, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ইষ্ট-ৱেষ্টনচিংবগী খুঙ্গং কয়াদগী মরুপ মপাংশিংগী খুথাংদা পাউ লাকই- ঈমুং পুল্লপ পুল্লপ, খুনপাক খুনপাক কোরোনা পকপা, লৈঙাক্তা রিপোর্ট তৌই/তৌদে খঙদবা অনাবশিং, কনাগী মীৎয়েং চঙদনা খঙনা চান্নবদা হংলগা লায়েং চথরিবা...। টেষ্ট তৌথোকউ হায়রুবগী লন্নাই য়েক্লবগুম লৌখিবা, তাইবংপান থাদোকখ্রবা কয়াগী ৱারীসুনি লীরকখিবা।

নথৌ লৈতে হায়রক্কদ্রা... অসিগুম্বা খুঙ্গংশিংদা চোইনা-চাইনা লৈরিবা সরকারগী প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরশিং, ডোক্তর-নর্স অমত্তা মথৌ তৌদ্রবসু, নেসনেল রুরেল হেল্থ মিসনগী থৌশিল মখাদা, লৈপাকসিগী খুঙ্গং শীনবা থুংনা হেল্থ ৱার্কর মরাং কায়হন্নবা, নীংথিনা ট্রেনিং পীরবা ‘এক্রিদিটেদ সোসল হেল্থ এক্টিভিষ্ট’ (আশা ৱার্কর) ময়াম অমা হাপখিবদু মথৌ তৌহন্দুনা, য়ূম য়ূমদা চৎলগা মেদিকেল দিপার্টমেন্টকী অৱাৎপা থৌগায় অদু তৌহনবা করি কায়বগে? কেরেলা ষ্টেটনা মমিং চৎখিবা, কোরোনা লাম্থেংনবদা ফিদম ওইনা লৌদুনা হেল্থ মিনিষ্টরবু ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন’না লেকচর পীহনখ্রিবদু মখোয় ময়ামগী মতেংদগীনি। অদুগুম্বা ষ্টেট’তুদসু ঙসি, অহুমশুবা কোরোনা ৱেভ ঈহৌরকপগী পাউ তারক্লি।

অমেরিকা, ব্রিতেন’নচিংবা লমদসু নিউ দেল্টা ভেরিএন্ট অমসুং মফমদুদা চথরিবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিগী ইফেক্টিবনেস- অচৌবা দিবেট অমগী মরম ওইরিবনি। অদুগা, ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা চোংথোক-চোংশিন-হঙোই-পোলিটিক্সতা থৱায় য়াওদুনা, থা তরেৎকী মতুংদা পাঙথোক্কদবা মীখলদুগীদমক মখোয়গী ফম্বাল শেম-শাবগী থৌগায়রোমদা পূক্নিং থিংজিল্লি।

মখোয়সু মথৌ তৌসনু। ইথৌ তৌসি ঐখোয়সু। ঐখোয়না ৱাখল তারগা কোরোনাসু লাকশিনবা ঙমগনি, মখোয়বুসু চৈরাক পীবা ঙমগনি। মখোয় নত্তবা অনৌবা মীহুৎ থাগৎসি। ঐখোয়সু শাউবা হৈ খঙহনসি।

লৌশিং পুক্কে

# কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা

## কোগ্নিটিভ দিসফঙ্কসনগী অনাবশিং লৈহল্লকপা থেংনরে-১



কোলোরাদোগী দেনভরদা ওনলাইনদা পাঙথোকখিবা অলজ ইমর’স এসোসিএসন ইন্টরনেসনল কনফরেন্স (এ এ আই সী) ২০২১দা রিসার্ছ প্রজেন্ট তৌখিবা সাইন্টিষ্টশিংনা কোভিদ-১৯ অমসুং লোং-টার্ম কোগ্নিটিভ ইস্যুশিং (অলজাইমর’স লায়নাগী বাইওলোজিকেল সাইনশিং য়াওনা)গী মরক্তা লৈনবা মরীশিং থেংনখ্রে হায়রি।

ফাইন্দিংশিং অদুনা কোভিদ-১৯না পীবা ন্যুরোলোজিকেল ইফেক্টশিংগী মরমদা হেন্না কূপ্পা থিজিন্নবা হেন্না চাউবা লোঙ্গিচুদনেল ষ্টদিশিং চথনবগী য়ুম্ফম থোল্লে।

কোভিদ-১৯ অসি মরুওইনা রেস্পিরেটরি কন্দিসন অমনি। সেন্টর্স ওফ দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)না হায়রি মদুদি, কোভিদ-১৯গী লাইওংশিংদা মাইল্ড ওইবা রেস্পিরেটরি প্রোব্লেমশিং, হেন্না ফিভম লুবা ওক্সিজেন লেবেল নেম্বা অমসুং নীংশা হোনবা ঙমদবা, অমদি মীওই অমগী হকচাং শীনবা থুংবগী ওর্গান কয়া শোকহনবা পুন্সি মাঙবা য়াবা খুদোংচাদবশিং য়াওবা য়াই।

হায়রিবা একুটে সিম্পটমশিং অসি খঙবা ঙম্নবা রিসার্ছ কয়া চথখ্রে, অমদি হৌজিক ক্লিনিসিয়ানশিংদা ট্রিটমেন্ট ওপ্সন কয়া অমসু লৈরে।

অদুমওইনমক, কোভিদ-১৯গী ইফেক্টশিংদি অহানবগী য়াম্না কন্না নারিঙৈগী তাঙ্কক অদুদনা লোইরে হায়বদু মতম পুন্নমক্তা ওইদে।

পেন্দমিক অসি খুমাঙ চাওশিল্লকপগা লোয়ননা কোভিদ-১৯দগী ফগৎলকখ্রবা মীওই কয়া হৌজিকসু সিম্পটম মখল কয়া অমা মায়োক্ল রি হায়বসি মীওই কয়ানা হকথেংননা থেংনখিবা ইভিদেন্সশিংনা তাকই। হায়রিবা খুদোংচাদবা অসিবু লোং কোভিদ হায়না খঙনৈ।

ইন্দিয়াগী মঞ্জেরিদা লৈবা গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজগী ডা. এ ভি রভিন্দ্রন অমসুং মহাক্কী কোলিগশিংগী মতুংইন্না লোং কোভিদকী সিম্পটমশিংদা য়াম্না চোকথবা, নীংশা হোনবা ৱাবা, লোক খূবা, থবাক নাবা, মিহুল দং-দং চোংবা, কোক চীকপা, তাং-তাং চীকপা-নাবা, মসল নাবা অমদি শোন্থবা, তূম্বা য়াদবা, খোঙ-খূৎ জিং জিং লাউবা, খোঙ হামথবা, ফুরি নৎত্রগা শম কেনবা, হকচাংগী বেলেন্স পুবা ঙমদবা অমদি চৎপগী মওংদা কায়রকপা, মেমোরি অমসুং কন্সেন্ট্রেসনগী খুদোংচাদবশিং য়াওনা ন্যুরোকোগ্নিটিভ ইস্যুশিং, অমদি পুন্সিগী ক্বালিটি ফৎচিল্লক্তবনচিংবা য়াওবা য়াই হায়রি।

এ এ আই সী ২০২১দা রিসার্ছরশিংনা কোভিদ-১৯গী লোং-টার্ম ইফেক্টশিংগা মরী লৈনবা ন্যুরোলোজিকেল ইস্যুশিংদা মীৎয়েং থম্বা ষ্টদি কয়ামরুম লাম্থোক্লখি।

অলজাইমর’স এসোসিএসনগী মেদিকেল এন্দ সাইন্টিফিক রিলেসন্সকী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. হেথর এম স্নাইদরগী মতুংইন্না অনৌবা দেটাশিং অসিনা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনশিংনা মতম শাংনা লৈগদবা কোগ্নিটিভ মপাঙ্গল শোন্থরকপা অমদি অলজাইমর’স সিম্পটমশিং ফাওবা লাকহল্লি হায়বা উৎলিবা নুংনাংনিংঙাই ওইরবা ফিভম উৎলি হায়খি।

মালেমদা কেস মিল্লিয়ন ১৯০ অমসুং শিখিবা মশিং মিল্লিয়ন ৪ রোম য়ৌখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯না মালেম পূম্ববু খুন্তাক লানশিল্লে। ভাইরস অসিনা ঐখোয়গী হকচাং অমসুং ৱ্রেনদা করি তৌরিবনো হায়বসি লেপ্তুনা ষ্টদি তৌবা হায়বসি তঙাই ফদবনি। অলজাইমর’স এসোসিএসন অমসুং মসিগী পার্টনরশিংনা ষ্টদিশিং চথরি, অদুবু অহেনবা রিসার্ছশিং তৌবগী মথৌ তারি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ষ্টদি অমদা য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাস হেল্থ সাইন্স সেন্টর এট সান এন্টোনিও লোং স্কুল ওফ মেদিসিনগী ডা. গেব্রিএল দি ইরাউসক্কিননা অলজনাইমর’স এসোসিএসনদগী কোলিগশিংগা লোয়নদুনা একুটে কোভিদ-১৯দগী রিকোভর তৌরকখ্রবা অজে ’ন্টিনাগী অমেরিন্দিয়ানশিংদা ন্যুরোলোজিকেল ইস্যুশিং লৈবরা হায়না থিজিনখি।

ষ্টদি অদুগী পার্টিসিপেন্ট ৩০০ অদু কোভিদ-১৯ নারুরবা মতুং থা ৩দগী ৬ ফাওবা এসেস তৌখি। মদুদা পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী মরক্তগী চাদা ৫০ হেনবদি কাউগনবগী খুদোংচাদবশিং থেংনখি অদুগা চাদা ২৫ রোমসু এগজিক্যুটিভ দিসফঙ্কসন অমসুং লেংগ্বেজ ইস্যুশিং মায়োক্লবা থেংনখি।

হায়রিবা কোগ্নিটিভ ইস্যুশিং অসিগা মনম মাঙবগগী মরক্তা মরী অমা লৈনবগী মতাংদা রিসার্ছরশিংনা পনখি, অদুবু মদু অহানবগী কোভিদ-১৯ নারিঙৈদা নাবগী ফিভম কনবা কন্দবগদি মরী লৈনদে হায়রি।

ডা. ইরাউসক্কিননা, কোভিদ-১৯গা লায়না অসি নারুরবা মতুং থা খরগী মতুংদা লৈরকপা কোগ্নিসনগী প্রোব্লেমশিংগগী মরক্তা লৈনবা ময়েক শেংবা মরীশিং ঐখোয়না উবা হৌরক্লি হায়খি।

কোভিদ-১৯গী লোং-টার্ম ন্যুরোলোজিকেল ইস্পেক্টশিংবু মখা তানা খঙবানবগীদমক পোপ্যুলেসন অসিবু অমদি মালেমদা লৈরিবা অতৈ পোপ্যুলেসনশিংবুসু মতম হেন্না শাংনা মখা তানা ষ্টদি তৌবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# লিটরেরি ক্যুজগী ২২শুবা তাঙ্কক্কী ৱিন্নর বুদ্ধনা ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস) : পাউচে অসিগী লেপ্তুনা চৎথরক্লিবা লিটরেলি ক্যুজগী ২২শুবা তাঙ্কক্কী ৱিন্নর চিংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়দা লৈবা মাইস্নাম বুদ্ধনা ওইখ্রে। ৱিন্নর ওইখ্রবা মাইস্নাম বুদ্ধনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না লিটরেরি ক্যুজ অসিনা মণিপুরী সাহিত্যবু খন্ন-নৈনবদা ফিদা অমদি কল্লে হায়নিংই। তাঙনা ফংলিবা মীকুপ অসিদা ঐ ইশাগী ওইবা তোঙানবা ৱাখল খরা ফোঙদোকপগী তাঞ্জা অমসু পীবীরে। মালেমগী ওইনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ অসিনা ইরমদম মণিপুরদসু লাকশিনবা ঙমদবা মওংদা শন্দোরক্লি। অসিগুম্বা লায়না-লাইচৎ অসিবু লাম্থেংনবা হায়বসিদি লম অসিদা হেক্তা মমুৎ তানা খঙলবা এক্সপার্ট ডোক্তরশিংনা মাঙজিল থানা লাম্থেংনহনবা অমসুং মীয়ামনা মখোয়গী পাউতাক ইন্দুনা মাগী মাগী লৌখৎফম থোকপা থৌদাং অদু লৌরবা কান্দতা মায় পাকপা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। মণিপুর ষ্টেট অসিসু হন্দক্তা সেন্টরনা কোভিদ-১৯গী ফীভম রিভিয়ু তৌখ্রবনিনা লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা পোজিটিভ অমসুং মী শিবগী চাং অসি হন্থরকপা ওইরসনু অমসুং য়াম্না থুনা কোভিদ লায়নাদগী শাফরবা ষ্টেট অমা হায়বদু ওইরসনু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কোভিদ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস): লম্লাই কেন্দ্র কোভিদ-১৯ এৱ্যের্নেস এন্দ এনফোর্সমেন্ট কম্মিটিগী চ্যেরপর্সন অমসুং তেলৌ চনা সৈজাং জেদ পি মেম্বর এ যামিনি, লম্লাই কেন্দ্র কোভিদ এৱ্যের্নেস এন্দ এনফোর্সমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বর অমসুং নোঙ্গ্রেন চিংনুংকোক জি পিগী প্রধান এম বিলাশিনি অমসুং কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাস্ক ফোর্স বি জে পি লম্লাই মন্দলগী চ্যেরমেন কে ঐচইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা নোঙ্গ্রেন দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা খুৎশম্নদুনা শীল্লগা নোঙ্গ্রেন মনিং লৈকায় অমদি ময়াই লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা কোভিদ-১৯গী মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।


তেলৌ কোভিদ টাস্ক ফোর্সনসু শীন্দুনা তেলৌ কম্যুনিটি হোলদা অমদি ওক্সু নিংথেমচা খুল য়ুথ ক্লবনসু শীন্দুনা ওক্সু নিংথেমচা খুলদা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখি। ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামশিং শীল্লিবা ক্লব অমদি টাস্ক ফোর্সশিংদা কে ঐচ ইবোমচা অমদি প্রধান এম বিলাশিনিনা ঈশিং অমদি অচা-অথক মতেং পাংখি। লোয়ননা কে ঐচ ইবোমচানা কন্টেনমেন্ট জেনদা লৈবা ইমুং কয়াদা চান-থক্লবশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

## চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস): সেকমাই এ সীগী এম এল এ, ঐচ দিঙ্গোগী মীৎয়েং মখাদা সেকমাই এ সী কোভিদ-১৯ ফ্রন্টলাইন ৱারিয়র গ্রুপনা এ সী অসিগী মনুং চন্না মাইক্রো কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা ফয়েং চীং খুনৌগী য়ুমথোঙ ১৩৫ য়াওনা ফয়েং, ফুল্লৌ কৈরোই, ফুল্লৌ সিফাই, সঞ্জেনবম, হাওরং কৈরেল, কন্দাংবন, লোইতাং লৈকিন্থবী, লাইরেনকাবী অমসুং অৱাং সেকমাইগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা য়ুমথোঙ ৪০০ রোমদা নোংমগী তঙাইফদনা চঙবা য়াদ্রবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং ঙরাং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

## পোষ্টর কেম্প্যেন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস): কৈরাও এ সীগী মনুং চনবা লাইফরোক মরিং ভিলেজদা সেলিন দিজিটেল অমদি এন আর মীদিয়ানা কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস কম পোষ্টর কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুগা মরী লৈননা সেলিন দিজি টেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা ঐখোয় পুন্নমক কোভিদ ভেক্সিন দোজ শুনা কাপথোকমিন্নসি। লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি ঙাকমিন্নসি হায়খি। কেম্প্যেন অদুদা এন আর মীদিয়াগী প্রোপ্রাইটর এন আর রাজেশ অমসুং সেলিন দিজিটেলগী এফ পি ও, কে এস ঐচ জেমসসু শরুক য়াখি হায়রি।




# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০২। ০৮। ২০২১ ইং, নিংথৌকাবা; অয়ুক পুং১০.২৯ ফাওবা ইঙেনগী ২৪ নি পাল্লি মতুং ২৫নি পানগনি।

মেষ: অচুম্বনা মায় পাকপা, অঙম-অথৌনা চানবীবা, অনৌবা লৌশিং তানশিনবা ঙমজবা অমদি মীয়ামগা লোয়ননা চৎপা নুমীৎনি। হুরানবদৌদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌবা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ: লম খুদিংদা মায় পাক্কনি, মীচঙ খোম্বা য়াগনি, মীনা লাকচবসু ঙমলোই, অরুবা ৱারেপ লৌবা ঙমগনি অমদি শেন্দোং তানবা থবক্তা হেন্না মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবদুমক ফংজবা য়াই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিথুন: ৱা য়াম্না ঙাংগনু অমদি মরুপ-মপাং লোয়নবগী কান্নবা লৈরোই। নহৈ/নচা-ননাই অমদি অকল অথৌগী লমদা চাওখৎপদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না আশা তৌরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কর্কট: শেল-থুম, মীচঙ খোম্বা অমদি অনৌবা থৌরমদা মায় পাকপা লৈ। থেংলপ্পা নুংঙাইবা পাউ তাগনি। চিন শোয়বনা ঈকাইবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

সিংহ: অনম তাল্লবা কায়নরনি অমদি থবক্তা কল্লকপা থেংনগনি। নঙগী ওইবা লোয়নবা অমদি অঙম-অথৌগী পাউতাক লৌবনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি ৱাখলদা নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা: করিসু নত্তবদা থৌনা ফুদোকপা অমদি হোয়া ফবনা নথক থোংবগা মুক্লবা অমদি হেন্না চাদিং তৌবা য়াই। নীংহন্নবদি তৌগনু, কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অশাওবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

তুলা: কিদবা অমদি ঙাং-শকপা হৈবনা থবক পাঙবা, মীচৎসু ফংজবা অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নবা নুমীৎনি। থিজিনবা কনবনা য়াইফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাইঙমদবা তৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা অমদি য়েক্লবা মাঙখিদুনা লন খরা ফংবা লৈগনি। মহু চাওবনদি ইমুংদা অৱাবা পীগনি। মরুপ্নদি চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু: হোয়া ফবগী কান্নবসু ফংগনি, পূক্নিং ঈংগনি অমদি মীয়াম্না ঈকাই-খুম্নবী। মৈনদি তাথি, নাইতোম ৱা তুপথোক্কনু অমদি নোল্লুক্লা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর: য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাংবীবা, অঙম্বনা য়েংশিনবা অমদি ফিংবনা নুংশাথিবা নংবা য়াবা লৈ। নক্লবা মী/অচুম্বনা উপায় ওইগনি, কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাংদবনা মফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কুম্ভ: ঙাংথোকপদা মীনা তানিংবা অমদি নহৈ/ফমথোল চাওখৎপগী নুংঙাইজবা লৈগনি। থিবা হুম্বা কল্লগদি মাঙগদবদগী কনবা ঙমজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ওইজবা মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিন: লৌশিং ফুদোকপা ৱাবনা থবক মাঙগনি অমদি চাদিং হেনগনি। লাইবক ফবনা কান্নবা খরসু ফংগনি। ঈরাং পূরদি য়েক্লবা হেনগৎকনি, লাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল খরদি নুংঙাইরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।